ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯦ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯵꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**
লৈবাকপোকপা, মে ১৬, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৫২ শুবা মশীং

# শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল

## *মপুং ফাবা ফেষ্টিবেল অমা ওইহন্নবা মীয়াম্না মতেং পীসি*

**মতম** শাংনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তানবদৌনা অমনা হায়বা অমনা তানিংদবা, অমনা তৌবা থবক অমনা শীংথানিংদবগী মওং মতৌ অমা লাকপনা মরম ওইরদুনা লৈঙাকপদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্কবগী ফীভমদা লৈখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু চীংগী মীয়াম্না মখোয়গী লমখৈ মনুংদা লাকপা য়ারোই হায়না থিংবা অমসুং মণিপুর লৈঙাকপু ফোঙনা শীংনদুনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈতনবা ৱারেপ ফাওবা লৌবা লৈখি। অসুম্না মতম শাংনা নুংঙাইনদবগী ফীভম লৈরম্বা অদু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লবা মতুংদা চীংমী-তম্মীশিংগী মরী নকশিন্নবদৌনা তৌরকখি। লৈঙাক পায়বা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈ হায়বদি এপ্রিল ১১ দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মরুওইবা মীওই কয়ানা উখ্রুলদা চৎখি। মফম অদুদা লৈঙাকপু তাঙ্খুলগী তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা তরাম্না ওকখি। মমাঙথক্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা তাঙ্খুল নাগালোংগী গ্রাউন্দদা লৈঙাক অসিবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা শিরুই/শিরোই লিলি ফেষ্টিবেল পাঙথোকপদা লৈঙাক্না শেলগী মতেং খরা পীবীনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লকখি। মেমোরেন্দম অদু হেক ফংবগা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়াম মাঙদা ৱা ঙাঙবদা ইম্ফালদা পাঙথোকপা শঙাই ফেষ্টিবেলগী থৌরমগুম্না শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলসু পাঙথোকপদা চঙবা শেনফম পুম্নমক মণিপুর লৈঙাক্না পুথোক্কনি হায়না লাউথোকখি। অহৌবা খূবাক মখোল মরক্তা চীফ মিনিষ্টরনা ফেষ্টিবেল অসিগীদমক অহানবগী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ১গী শেনফম পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি। মমাঙদা মণিপুরগী গভর্ণমেন্টনা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা কায়থোক্কদবা অপীকপা শেনফম কায়থোকপীদে হায়বা ৱাকৎ অদুগীদমকসু মহাক্না নুংঙাইতবা ফোঙখি।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী মঙলান মঙফাওনবা হৌরে। লৈঙাক হেক পায়বগা চীংদা চৎলু হায়বা খোল্লাউগী মখাদা পাঙথোরকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলসু অমা ওইরে। ফেষ্টিবেল অসি হয়েং মে ১৬ তগী থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমিৎ ৫ নি চুপ্না উখ্রুলদা পাঙথোক্কদৌরি। মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদ্রবা মণিপুরগী ষ্টেট ফ্লাৱর ওইরিবা শিরুই লিলি অসি মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল অসিবু য়োকখৎতুনা লাকপা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নরগা শীনগদৌরি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী মমিং লৈরবা দান্স ট্রুপশিং ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াবীরনবা মাঙজৌননা হায়জখিবা লৈখ্রে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কদৌরিবা শিরোই চীং নীংথিনা লৈতেংলে। মীওই চা কয়া অহিং য়ারেকপা য়াননবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী পাখন কয়ামরুমসু শেম শাবা লোইখ্রে। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ারনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্কী অচৌবা টিম অমা হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা চীফ গেষ্ট ওইগনি। মহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা থৌরম অদু প্রিসাইদ তৌগনি। পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি টুরিজম ডা. সাপম রঞ্জন, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্ট খাসিম ভাসুম, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি পি ঐচ ঈ, কে লৈসিহো, উখ্রুল এ সীগী এম এল এ অলফ্রেদ কাংঙম অথরনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগদৌরি। হৌজিক্তি ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা মখলগী টুরিজম ফেষ্টিবেল অহুম লৈরে হায়না লৌবা য়ারে। অমনা ইম্ফালদা পাঙথোকপা শঙাই ফেষ্টিবেল, অতোপ্পা অমনা তমেংলোংদা পাঙথোকপা ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল অমসুং অতোপ্পা অমনা উখ্রুলগী শিরোইদা পাঙথোকপা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মণিপুরদা অসিগুম্বা মখলগী ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোক্লিবসি টুরিজমদা মীৎয়েং থল্লগনি। হন্দক্কী অসিদি অহানবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল ওইবা মরম্না টুরিষ্টশিংগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমহৌদ্রবসু মথংগী চহীশিংদদি টুরিষ্ট লাকপগী চাং য়াম্না ৱাংনবা লৈঙাক্না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা মীৎয়েং চঙহৌগদবনি। মসিনা মাঙশিল্লক্লবা শিরুই লিলি কন্ননবা হোৎনবদা মতেং পাংবতা নৎতনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা উখ্রুলদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল অসি টুরিজম খক্তা নৎতনা চীংমী-তম্মী নুংশিনবগী লীপুন চেৎশিনহন্নবা লৈঙাক্না অচৌবা শেনফম অমা থাধদুনা পাঙথোক্লিবনি। মরম অদুনা মপুং ফাবা ফেষ্টিবেল অমা ওইহন্নবা মীয়াম্না মতেং পীফম থোকই হায়জনিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### সব-ৱে (ক্রোসিং অন্দরগ্রাউন্দ টনেলস) মথৌ তারে

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***নোংমা-নোংমগী*** মী চিনবা অমদি গাড়ী মশীং হেনগৎলকপনা ঙসিদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল চিক্না চাইনবা ঙল্লক্ত্রে। অয়ূক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবদি স্কুলগী ভেন কয়া, পোৎ চৈ য়োনবা, লৈবা লাকপা কয়ানা হায়নীংঙাই লৈতনা চিল্লবা মতম ওইরি। হায়রিবা মতমসিদা লম্বী লাম্হোক্ক বা, মায়কৈ অনীদগী থোমজিন্নরক্লিবা মীয়াম, চাকা অনী, অহুম অমদি মরি পানবা গাড়ী কয়ানা খোঙনা চৎচরিবা কয়াবু লম্বী চৎফম খঙহন্দ্রি। চিল্লবা মীরক্তুদা মশীং খঙদ্রবা গাড়ী মচা, অচৌবা কয়া থৌজিন্নরকপদা লম্বী চৎপশিংদা থেংবদগী শোকপা-পনবা য়াওরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে, হায়জনীংই।

হৌজিক হৌজিক বজার মনুংদা গাড়ী পার্কিং তৌফম মফম চানা লৈতবনা পাউনা, থাঙ্গাল কৈথেল অসি গাড়ী পার্কিংলা, লম্বীরা করিনো খঙদ্রে। মফমশিং অসিদা গাড়ী পার্কিং ওইবগী মহুত্তা অহাংবা মফম থিদোক্তুনা করম্বা মফমদা গাড়ী পার্কিং ওইবনা লম্বী চিনবদগী থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবা ঙমগদগে হায়বদু শিনবীবনা ফগদ্রা খঞ্জে।

অমরোমদা অমুক য়েংসি খ্বাইরম্বন্দ মনুংদা তৌরিবা মওংসি, গুৱাহাটিদদি গাড়ীগী পার্ট অমা লৈগে হায়রবদি পলটন বজারদা, ফিরোল, লাইরিক লৈগে হায়রবদি ফেন্সি বজারদা, কোল-লিক লৈগে হায়রগনা গনেশ গুরিদা হায়দনা মফম তোঙান তোঙান্না খাইদোক্তুনা থম্বনা লৈনীংলিবা পোৎ অদুগী লৈফমদা কোম্না চৎতুনা লৈনৈ। মসিনা মরম ওইদুনা মী চিনবগী চাং নিংথিনা হন্থহল্লি। অদুগা ঐখোয়গী কংলৈপাক মণিপুরদদি কদাই চেঙ, হৱাই, চিনি, লাইরিক, ফিরোল পূম্নমক তোৎশিন্নদুনা লৈবনা মী চিনবগী চাং হেনগৎপা মশানা তাবনি। ঙাগী কৈথেল, ফিগী কৈথেল, কোল-লিক্কী কৈথেল হায়দনা তোঙান তোঙান্না থম্বীরবদি পোৎ লৈগদৌরিবা মীশিংনা মাগী মাগী অপাম্বা অদু কোম্না চৎতুনা লৈবা য়াগনি। মরম অদুনা লম্বী লাম্হোক লানশিনগীদমক ফ্লাই ওভর মখাগী লৈনুংদা হুৎলগা সব ৱে (ক্রোসিং অন্দরগ্রাউন্দ টনেল) অমা থম্বীরবদি ইমা ইবেল, ইচে ইচল অমদি মীওই কয়ানা লম্বী লাম্হোকপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অমদি মী চিনবগী চাং খরগী মখৈদি হন্থহনবা ঙমগদ্রা খঞ্জে।

*অদোমগী - কুমার সেঞ্জম, হৈঙাং*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। ''বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্না কপ্না লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্না নোক্না লৈহৌনি।'' কবি কনানা হায়বনো?

২। ''কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।'' পরেংশিংসি 'মঙদসু তাইবঙদসু' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?

৩। ''পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।'' পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। প্রেমচন্দগী 'সপ্তসরোজ' বু মণিপুরীদা 'থম্বাল তরেৎ' হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?

৫। নৈন-ৱারেং 'শৈরেংদসু ৱারেংদসু' হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

ক্যুইজ নম্বর ৫০ অসিগী অচুম্বা পাউখুম অমত্তা য়াওদবনা ক্যুইজ অসি অমুক হন্না পাউখুম পীবিরকপা মীয়ামগী মফমদা থমজরি।

# রেপ কেপিটেলগী মনম কোক্ত্রবা দেল্লি

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৩৯

**জিতেন নামৈরাকপম**

***নুপীগী*** ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরল্লে হায়বা অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মরমদা পাউচেদা ইবা, খোৎপা তৌনিংলক্ত্রবনি তোয়মন্দনা। অদুবু ইদবা ঙল্লক্তে, হায়দবা ঙল্লক্তে। মপাঙ্গল শোঞ্জখ্রবা নুপীশিংদা নমজা নমথেকপীবগী মতাংদনি। নুপীগা নুপাগা রাইট মান্নে। মী ওইনা হিংবগী, মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা উৎকদবা থকসি-খাসি ঙাক্না চৎকদবনি হায়বগী আইন লৈরগসু নুপী ওইবীশিংবু নুপা ওইবশিংনা নমথদুনা থম্বীবগী চৎনবী অমদি আ থায়না মমাঙঙৈদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা চথদুনা অদুমক লাক্লি। শেন্বীবা মপূ হেক্তা হায়রগে, শকউদবা মহাক্না নুপা হায়বা অমা অদুগা নুপী হায়বা অমা শেন্বীরম্বসিদা নুপানা নুপীদগী হেন্না বোদি ষ্ট্রকচরদা, শরুদা-শয়াংদা, মসলদা করিদা, এনাটোমিদা মওং খেন্ননা শেন্বীরম্মী। নুপীনা ফন্না কল্লি, শক্তি লৈবনি, পাঙ্গল কল্লবনি হায়দুনসু নুপাগা থেংনবা মতমদা মফম্না, ফীভম্না, তাঞ্জানা অমদি নুপী ওইদুনা পোক্লিবা মরম্না নুপাগী মখা থাদুনা অদুমক মরাক্লি। মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মবুক ফৎতবা, লমচৎ নাইদবা নুপাশিংনা নুপীশিংবু শরাক তম্ফম পোৎশক অমগুম উরি, নমহৎলি। কুমজা ২০১২ দা ওইরমগদ্রা খল্লি, ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা অচেনবা বস অমগী মনুংদা মীওই ৬ না নুপীমচা অমবু নমজা নমথেকপীখি। অদুগা মরাইবক থীরবী নুপীমচা অদু অচেনবা বসতুদগী লংথরকখি। হায়রিবা নুপীমচা অদু লায়েংনবা শিঙ্গাপুরদা পুরে অদুবু কনবা ঙমখিদ্রে। মখোয় তরুকমক দেল্লি পুলিসনা ফারে। অমনা জুবেনাইল ওইরম্বদগী হোম সেন্তরদা থমখ্রে, অমনা মথন্তা সুইসাইদ তৌদুনা শিজখ্রে। মখোয় মরিনা জেলদা চহী ৫ রোম নমশিন্দুনা থল্লবা মতুংদা হন্দক্তা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অমনা থৌরি য়ান্দুনা হাৎনবগী ওর্দর থোকখ্রে। মরাল লৈরবা মীওইবু খুদক্তা হাৎতোকখ্রো হায়বগী কলম মচিন্না রাই তাবা ঙম্বা অদুগা অমুকসু মথ্বায় কনবীয়ু হায়না কনবসু ঙম্বা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি লৈঙাকনি। মখা করি তারকপা হায়বদু তম্বা ঙম্বা নত্তে। মণিপুরদসু অসিগুম্বা পনবদা তুক্কৎচবা থৌদোকশিং সেরিজ নাইনা চথরক্লি। মরাল লৈবশিং অকনবা দন্দি পীবগী তঙাইফদবা লৈ। নৎত্রগদি সনা লৈবাক মণিপুরনি হায়রম্বদু মমিং অমা ওন্থোকখিগদ্রা পাখৎলকই।

পূম্নমক ওইদুনসু ন্যু দেল্লি ইন্দিয়াগী কোনুংগী মরমদা হঞ্জিন হঞ্জিন পন্নীংলকই। দেল্লি সাউথকী মুর্নিকা খ্বাইদগী শাথিবা মফমনি। নোর্থ ইষ্টকী মীওই কয়াসু খ্বাইদগী হেন্না লৈবা মফমনি। ইন্দিয়াগী ময়োলমক্তদা লৈবা নেসনল কেপিটেল টেরিটোরি দেল্লিদা চাওখৎখিদ্রবা মখল মখলগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈতনা থোকখি, থোরকখিগনি। অইবা ইশামক্না আর্টিকল অসি ইরিঙৈ মতমদা মোবাইল ফোন হাংলুবদা খুদক্তা পাউ অমা থেংনরকই। মদুদি চহী ২২ খক্তা ঙাইরিবী সিক্কিমিজ নুপী অমা দেল্লিদগী গুরগাউন্দ তম্না লাকপদা নুপা অহুম্না ফাদুনা স্বিফ্ট কার অমগী মনুংদা লংশিল্লবা মতুং ঈজৎ মাঙহনবীরবা মতুংদা নজাফ ঘরদা হুন্দোক্লম্লে হায়রি। মসিনি ইন্দিয়াগী কোনুং দেল্লি অসিসু পনবদা হঙ্গৈইবা ফাওরক্লে।

দেল্লি, মদুসু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, লোক সভা, রাজ্য সভাগী এম পিশিংগী ক্বার্টরনা পরেং শানা লৈরিবা, সুপ্রিম কোর্ট, পার্লিয়ামেন্ট হাওস, ব্যুরোক্রেট ওফিসারতনা মশীং থিঙমদনা লৈরিবা, সেক্যুরিটি সিষ্টেমদসু খ্বাইদগী হেন্না চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা মফমনি। ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ময়ামগী লৈফম মকোলনি। অদুবু ঐখোয় শ্বায়দা পিৎ লাওবা ওফিসার মচা অমনগা চাওবসিদি লোইরে, মখোয়গী লমচৎ শাজৎ উরুবদা তশেংনা নোক্লিংই। অঙম্বা থাক্তা মুকচরিবনি। অদুবু মখোয় দেল্লি য়ৌরগদি উবা ফংগনি। মখোয়গী চন্নফম লৈতে। লাইরিক হৈবগী চাং ওল্লগা কেন্দিদেট লাক্ষ লাক্ষ থেংনরকখিবা, কম্পিটিটিভ ইগজামিনেসন্দা মায় পাক্লকখিবা আই এ এস ওফিসার কয়া অমা দেল্লিদা ক্বার্টর লৌবা ফংদবদগী অশানবা য়ুম ৱায়রগা লৈহৌবা কয়া কয়ানি। লাইরিক লাইশু হৈবা, চাওখৎ লমজেলদা মালেমগী লৈবাকশিংদগী মাঙজিল থারক্কনি খন্নরিবা লৈঙাক ময়োল দেল্লিদা তুক্কৎচন্নীংঙাই ওইবা থৌদোক হঞ্জিন হঞ্জিন থোকহল্লকপসি তশেংনা ইকায়নীংঙাইনি।

কুপ্না থিজিল্লুবদা দেল্লি অসি ৱাখল তারবা লুচিং পুরেলশিংনা লৈঙাক চুপ্পি পায়রিবা মফম ওইরগসু মফম অদুদা চাওখৎতবা মীওই মশীং থিঙমদনা মায়কৈ কয়াদগী থোমজিল্লকপা ওইরম্মী। বিহার, য়ু পি, বেঙ্গল অমদি অতোপ্পা ষ্টেট কয়ামরুমদগী হিংনবা লানফমদা হিংবা ঙম্নবা লাকপা, হুবা লাকপা, ফোইদৎপা, হাৎপা-তুপ্পা ঙম্লবা মীওইশিংতনা মশীং থিঙমদনা থোমজিল্লকপনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লেমজনীংঙাইনি খন্নরম্বা মফম দেল্লি অসি ঙসিদি তীন পুম্নমখৈ শিংফম লমদম অমা ওইনা উনরক্লে। শুপ্নতগী স্কায়ার কিমি ১৪৮৩ খক পাক চাউবা, পুং অমা ফানা গাড়ী থৌনিংঙাই লৈতবা মফম অসিদা তারিবা মীশিংদি ঐখোয়গী মণিপুরদগী হেনখ্রে। স্কায়ার কিমি ২২,৩২৭ পাক চাউবা মণিপুরগী মীশিং হৌজিক ফাওবা লাক্ষ ৩০ য়ৌবা ঙম্বা নৎত্রি। অদুবু পীকখ্রবা দেল্লিনা কুমজা ২০১১ গী মীকোক থিবদা মীওই কোটি ১৬ হেনখ্রে। মীশিং য়াল্লকপদগী দেল্লি গভর্ণমেন্টনা কন্ত্রোল তৌবা ঙল্লক্তবদগী লমহেন তুহেনবশিং মশীং থিঙমদনা থোরকপ্রা হায়বসিমসু খল্লকই। ঐখোয়রোমগী ওইনা হায়রগনা রেসিষ্ট দিস্ক্রিমিনেসনগী মশক দেল্লিদা হেন্না হেন্না উৎথোরকপগী চৈনা ফংবসি মঙায়রে। ঐখোয় মোঙ্গোলোইদ কাঙবু অসি মমিৎ লাউবা, মনাতোন শাংবা কাঙবুনা নমথবগী থবক হঞ্জিন হঞ্জিন উৎথোরকই। তশেংনা হায়রবদা জীব পানবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী শিংবা পুম্নমকপু কন্ত্রোল তৌবা ঙম্লবা মীওইবা মরক্তা মতুদি পান্দবা শা কয়া অমা শাফোংলক্লে হায়বা য়াই। মীওই মপোক্তদি পোক্লগা মীওই মরক্তা শাগী পুন্সি মরেলদা হিংবা মীওইশিংগী মশীংসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লে হায়বা য়াই। মালেম অসিদা মীওই মপোক্তা পোক্লকপা কয়া অমা চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থাখ্রে। রোকেট তোংদুনা অতিয়া শিনবা থুংনা কোয়বা চৎনখ্রে। মাস প্লানেটতা খুদারুনবা শেম শাবা মীওই কয়া অমা লৈখ্রে। মতৈ মনাও লুহোংবা লোইখিদুনা হনিমুন চৎপদা স্পেসতা পাইনবা টিকেট কক্লরবা মতম অসিদা নূংগী চক্কী মীওই কয়া অমনা মীরক্তা য়েপশিল্লকপসিদনি ফরক তারক্লিবসি।

অমরোমদসু ঐখোয়গী নোর্থ ইষ্টতগী দেল্লিদা মহৈ তম্বা চৎপা, থবক তৌবা নুপীশিংগী মরক্তসু অশোয়বা লৈতবা নত্তে। পার্টি য়াওবা, থকপা-চাবা তৌরুরগা অহিং থেংনা হল্লকপা মতমদা ফৎত্রবা কাঙবুনা খুদোংচাবা লৌখিবসু কোঙ্গায়নি। ফীভমসি লৈবনা য়ূমগী মীওইশিং নৎত্রগা মরী মতা খঙন-চান্নবশিং, মমান্নবী খূৎপু গ্রুপ গ্রুপ লৈরিবশিংনসু ৱাখল তাবগী মতম থেংমল্লবনি। মসি দেল্লিতগী ৱাসু নৎত্রে। ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা নোর্থ ইষ্টকী মোঙ্গোলোইদ কাঙবুবু উশিৎপিদবা, নমথবীবগী লীচৎ অসিদি চথদুনতা লাক্লবনি। চেন্নাইদা ওইরো নৎত্রগা বেঙ্গলোরদসু ওইসনু অসিগুম্বা শাথি শাথিরবা থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈখ্রে। হৌজিকপুদি হেল্পলাইন কয়া হাংদুনা খুদোংথিগদৌরবশিংদগী কনবীনবা খুদক খুদক্কী পাউ ফাওননবা খুদোংচাবা পীবগী পাউ তানরে। পূম্নমক অসি ওইদুনসু ঐখোয় চেকশিনসি। মীরমদা চৎপদা ঐখোয় ইশা কঞ্জনবা, ভিক্তিম ওইদনবা অসুক্কী মতিক চেকশিনবা মথৌ তারি।

# মালেমদা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশিনবা পুরক্নবা মিৎয়েং - ২

ৱাখল ইহুল

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

***মীওইবশিংগী*** মরক্তা নুংশিনদনবগী মরুওইবা মরমদি লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) নি। অদুনা "Religion is the worst enemy of mankind." সিটি/টাউনদা লাইনীং লাইশোন মান্নদবা, তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপনা অমদি হিংবগা মরী লৈনবা শিনফমশিং তৌনবা ওইবনা মীগা মীগগী মরক্তা নুংশিনবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। অমগা অমগা হায়বদি ইমুং অমগী ইঙ্খোল অমগা অতোপ্পা অমগীগা চেকপল ৱাংনা খাগৎনৈ, অয়াম্বা মতমদা কোন্থোং লোন্নরগা 'বিৱেয়র ওফ দোগস' হায়না থাদুনসু থম্নবনা চঙথোক চঙশিন তৌনবগী চাং য়াম্না নেম্মী। খুন্নাইগী চৎনবীগী থাক্তগী খুন্নাইগী থাক্তা ফম চাওবা-চাওদবা, শেল পায়বা-পায়দবনা হেন্না লুম্না লৌনৈ। হায়বদি সোসিয়েল ক্লাস ওইনা লৌনৈ। ইন্দিয়াদা মীশিং য়াম্বা কাঙলুপকী খুন্নাইরোলগী চৎনবী অয়াম্বা মালেমগী মফমশিংদা চৎনদে। মসিনা সোসিয়েল বেরিয়র ওইহল্লি। খুন্নাইদা নুংশিনহন্দনবগী অচৌবা মরম ওইহল্লি। মসিগী মহুৎতা মালেমদা নুংশিনবা পুরক্নবা অচৌবা মচা, শোক্ল-পন্না য়াদবা, তিন্ন-তোৎনা য়াদবা, অমাং-অশেংগী চৎনবীগী মহুত্তা "Division of Labour" অমদি "Dignity of Labour" মালেমগী মফম খুদিংদা চৎনবা ফৈ। খুদম, তিন্না-তোৎনা য়াদবা, মাংই-হন্থবা থাক্কী মীনি হায়না ইন্থোক্লিবা কাঙবুগা ইন্থোকপীরবা কাঙবুগা মীওই কাঙলুপ অনীগী মরক্তা নুংশিনবা শুকওই ওইথোক্লোই।

মালেমদা লৈরিবা হিংবগী থাক নেম্বা কাঙবুশিংগী মফমদদি লায়রবা, লায়না তীলনা, শেৎ-চাবদা অৱাৎপা, মহৈ মশিন তমহনবা ঙমদবা অসিনচিংবা মরম কয়াসিসু য়েক্লবনি। মসিনদি মীগা মীগগী মরক্তা নুংশিনহন্দবাহায়বদুদি ওইদে। মসিদি ইতোপ তোপ্পা মখলগী মীওইবশিংগী মরক্তা পোকহনবা অশেংবা থম্মোয়গী অমদি ৱাখলগী ইহুলগী মনুং চল্লিবা - "নুংশিবদগী ফাওরকপা, মরী লৈনবা - মীনুংশি" হায়বদুনি। মসিদি অমুক লাইগা নকশিন্নবা থম্মোয়গী ইহুলনি। লাইনীং লাইশোন্দগী তোঙাল্লি। মী মীগী মশাগী ওইবা কথোকপগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। খুদম, মালেমগী লৈপাক খরদা নেচরেল কেলামিটিনা মরম ওইদুনা অৱা অনা নংবা, মীশি-মীনা, শা-ষণ শিবগী লায়না তীলনা শন্দোরকপা, লৈফম, চানবা পোৎলমশিং, শেৎন-ইন্নবা ফিরোল মথৌ তারকপা মতমদা লাইনীং লাইশোনগী ৱাফম খন্নদনা অঙম অঙম্বা তেংবাং পীনখিবা পীনরিবা অদু মীওইবনা মীওইবশিংগী মরক্তা নুংশিবা ফাওবদগীনি। মসিগী মতুং তারকপদা মান্নবা ফুরুপশিংগী ওইনা লাইনীং লাইশোনলোমদা চঙশিল্লক্কনি। মতমদুদদি লন্নাই মীওইবা অমগী থম্মোয়গী মীনুংশিদু মান্নবা ফুরুপ্তুগী শাহুমনা হুমদুনা পুখিগনি। অদুনা ঐখোয়না মালেমগী খুন্নাইদা পাল্লিবদি মান্নবা মওংগী, মপূং ওইনা য়েংবদা, মান্নবা অপূনবগী (কমন) ওইবা ৱাখল্লোন অমা করম তৌরবদি ওইথোকপা, ওইবা য়াগদগে হায়বসিনি।

মমিং কয়ানা মিংথোনবা (মালেমগী ওইনা খঙনবা লাইগী মমিং ১০১ লৈ) লাইগী মমিং মসিদগী হেন্না লৈফম থোকই। মরমদি অপীকপদগী অচৌবা মালেমগী কম্যুনিতিশিংগী মশা মশাগী মরোলদা কৌনবা মিং কয়া অমসুং লাইগী মমিং ১০১ লৈ হায়না পীরিবসিদা য়াওদবা কয়া অমা লৈরিবনি। অদুনা অদু অদা হায়না পনবগী মহুৎতা তোঙানবা লাইগী মমিংশিং হায়না শুপ্না পঞ্জরে।

লাই, সাইন্টিষ্ট অমদি পোৎশিং (খ্বাইদগী নৌবা অঙকপা মখলশিং) মখোয়শিংগী মরক্তা খজিক্তং খন্নদুনা য়েংলগা নুংশিনবগী মরম মালেমদা শাগৎপদা কমদৌবা, খুরৌ থাংবা থাংদবা হায়বসিগী মতাংদা মীৎয়েং অমতা থমজগে। মালেমগী লৈপাক কয়াদা মীওইবগী মমল য়াল্লবা পুন্সি কয়াবু মাঙহনবা ঙম্বা লায়নাশিংগী মহিক মতাই, মদুবু মুখৎনবা নৎত্রগা মপূং ফানা ফহনবা ঙম্বা হিদাক লাংথক, মরম/পাম্বৈ কয়া পুথোকপা ঙমদবা/ঙম্বা কয়া অমা লৈরি। লাইনা লায়না অমা হেক পুথোকপগা মদুবু ফহন্নবা লৌশিং থিজিনলোইশিংনা (মখল মথেল কয়াগী) লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। লাইগা মীগগী (থিজিল্লোয়শিংগা) মরক্তা হৈবগী চাংদম্নবা ওইনা থোক্লি। লাইগা-থিজিনলোয়শিংগগী মরক্তা নুংশিনদবা থোক্লম্বা য়াই, চপ চানদি খঙদে। অদুবু লাই থাজদবা মীওই খরা নত্তনা লাই থাজবা অয়াম্বদি লাইগা মীগগী মরক্তা লৈনবা নুংশিবগী মরীদি তৎতে। লাইনা শেম্বীবা মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিং মীওইবা ঐখোয়না মাঙহল্লুবদগী ওইরকপনি হায়বসি থিজিনলোয়শিংনসু হায়রিবনিনা, নাকল অমরোমদা, লাইগা মীগগী মরক্তা নুংশিনবগী মরীদি তৎতে। মীওই খরনা মশাগী ওইজবা থিবদগী মহৌশাগী ওইবা পোৎশকশিংদা অহোংবা পুরকখিবদগী অতোপ্পা মীওইবা খরবু অৱাবা নংহনবসিগীদমক ফত্তবা তৌবা মীওই কাঙবুগা অফবা তৌবা কাঙবুগা নুংশিনবা ঙমহন্দে। মসিমক হৌজিক্কী পাক চাওরবা খুন্নাইদা থোক্লিবসিনি।

মালেমগী লৈপাক খুদিংদা মরম অমা নৎত্রগা অমদা নৎত্রগা মরম খরদা মমিং চৎখিবা অফাওবা মীওইপোক কয়া লৈখ্রে। মখোয়না হিংলিঙৈদা মালেমদা 'ফজবা', 'অচুম্বা' থবক কয়া তৌরমদুনা 'নুংশিনবসু' লৈহন্নবা হোৎনরমখি। মীনা মীগীদমক পুকচেল শেংনা ফনবা (থৌগল) তৌবসি চাওরবা মীনুংশি উৎপনি হায়না লৌগনি। মালেমদা মীয়ামগী ফনবা থবক তৌগে হায়দুনা চোঙথোক্লক্লিবা মখোয়শিংগা মীয়ামগা কয়াম নুংশিনবা ঙম্বগে হায়বসিসু অদুম ইখঙ খঙনরবা মরমশিংনি। মরমদি লৈপাক মীয়াম খঙনা চোঙথোক্লকপশিংদি পোলিটিসিয়ানশিংনি। মখোয়গী মশাদদি লাই অমদি লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা কাঙলোন হায়বদি 'ফজবা', 'অচুম্বা' হায়বসি খরা অদুম মৱাৎলি। মসিগীসু মথক্তা মীখলদা মায় পাকপা হায়বসিদবু 'মীনুংশি' থোয়না খনবা নত্তে। খুদম, ভোটর মশীং য়াম্না ফংবনা ভোট লেপ্লিবা মীওইশিংগীদমক্তদি মরুওইবা মরম ওইবনা ভোটরশিংনা পাম্বা পোৎশক, তৌ হায়বশিং তৌনবা হোৎনবদা মথক্তা পনখিবা থৌওং অহুম্মক ঙাক্না চৎপা ঙমদে হায়না লৌবা য়াই। মসিনা মরম ওইরগা মী ওইরিবা ভোটর অমগা মখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশিনবা ঙমহন্দে। মরমসিদগী মীগা মীগগী মরক্তা নুংশিনবা লৈহনগে হায়রবদি মালেমগী অপূনবা (কমন) কাঙলোন, 'ফজবা, অচুম্বা, নুংশিবা' হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইবা য়াবা সিষ্টেম অমদা হোংদোকপগী মথৌ তারক্লব্রা হায়বসিনি। নুংশিনবা ঙমদবদগী খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা লেপ্পা লৈতনা থোক্লিবসিনি। লাইনীং লাইশোন য়াম্মনবদগী তুংইনবা (ফোলোৱর) শিংগী মরক্তসু মত খেন্নবদগী (য়ানবা ঙমদবদগী) নুংশিনবা ঙমহন্দে। হায়বদি মখোয় মখোয়গী মকোক থোংবশিংবু কনখৎনবা লেপ্তুনা হোৎনৈ।

মালেমদা লাইনীং লাইশোনগী মরমদা ফাওখিবশিং মীওইপোকমক্তনি। মখোয়গী অপোকপা, অপোকপী, পোক্ন ফম, পোকপা-শিখিবা কুমজা, শিখিবা মফম, মখোয়না হিংলিঙৈদা তৌরম্বা থবকশিং লাইনীং-লাইশোনগী নৈনরোয়শিংনা অদুম খঙনৈ। তঙাইফদনা পনবা তারবদা, পীক্লবসু পীক্না ইরমদমগী লাইনীং লাইশোনদি মালেমগী অতৈ মফমদগী ইতোপ তোপ্পী। হায়বদি মীওইপোক্না লাইগী মপোক ওইবা য়াদবনা, ইরমদমগী লাইদি মীওইপোক নত্তে। মালেমগী অতৈ মফমশিংদা মীওইপোক ওইবা লাইগী মমাঙদা ঙক নোনবা অদুম হায়না তৌনবা মওংসি ইরমদমগী লাইনীং-লাইশোন্দা তৌনদে/য়াদে। হায়বদি পোকপা, শিবা নায়দবা, শকওং শক্তম মীগী মপোক্তা লাই ওইবা নৎতবশিংগী মমাঙদা কোক নোন্দুনা খুরুম খাজংগনি। অদুবু মীওইপোকশিংগী মরক্তা লাইগী মতিক ময়াই চেনবা খরবু মী-মীহেন, মী-মরু, মী-মচং হায়দুনা তোমথিন নায়বা মখোয়শিংবুদি মওং খরদা মালেমগী মীশিংনা মখোয় মখোয়না পামজবা মওংদা ইকায় খুম্নবা উৎপদি য়াই হায়না খঞ্জে।

নাকল অমরোমদা লাই, মীনা লাইপোক ওইবা, অনীসিগী খেন্নবা খরদংগা শল্লপ্না নৈনবা য়াবদি - মীওইপোক অমা ওইরকপদা থিজিন লৌশিংদগী খঙলকপা মতুংইন্না মীওইবশিংগী মরক্তা কোকলেন লেম্ফু (ব্রেন) খেন্নবনা মমা-মপা অমত্তনা পোকপা মচিন-মনাওশিং, অসুম্না মালেমগী খুন্নাইশিংগীদসু লৌশিং শিংবা, খঙগন-হৈগনবগী থাক্কী চাং খেন্নৈ। লায়না শেল্লগা মী ওই, মীনা শেল্লগা হৌজিক্তা অনৌ অনৌবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মেছিনশিং, কম্প্যুটরশিং, স্পেস টেক্নোলোজিশিংগী দেটাশিং, চাংয়েংগী খূৎশেমগী খূৎলায়শিং পুথোকই। লুরিবদি মীনা শারগা পুথোকপা পোথোকশিংনা তৌরিবা থবকশিং মীওইবনা তৌবা ঙমদে। মীৎনা উবা ঙল্লিবা মীওইপোক্না ওইবা লাই, মী, মেছিনগী মরক্তা খেন্নবগা মীৎনা উবা ঙমদবা লাই, মী অমদি মেছিনশিং খেন্নবগী থাক করম্বনা ৱাংফম থোকপগে হায়বসি ইশা ইশানা খল্লগা য়েংবিনবা নীংশিংজরি।

মীওইবা কনানা শেম্লকই হায়রবদি হৌজিক্তগা এম্ব্রাইয়োলিষ্টশিংনা নুপা-নুপী হায়বা মীওইবশিং অমদি লাবা-অমোম হায়বা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, হৈ-লৈ, নাপী-শিংবীগী মরুমশিংনা, পোল্লন গ্রেইনশিংনা তিন্নরগা/পুনশিন্নরগা শেম্লকপনি হায়গনি। মখা তানা অমুক নৈনবা মতমদা পোৎচাকশিংনা শেম্লকপনি/ওইহল্লকপনি হায়নীংগনি। মথংদা অমুক মচাকশিং করম্না ওইরকপনো হায়বদা তোঙান তোঙানবা পোৎচাকশিংনা পুনশিল্লগা শেম্বা এটোমশিং-এটোমশিংনা পুনশিল্লগা শেম্বা মোলিক্যুলশিং অমদি কমপ্লেক্স কম্পাউন্দশিংনা শেম্লকপনি হায়রক্কনি। অরোইবা ওইনা মখোয়শিং করম্না ওইরকপনো/ওইহল্লকপনো হায়বদা মতম-মৈশা-ঈশিং-নুংশিৎনচিংবা কয়া অমা মথৌ তাবা ফীভমশিংদগীনি হায়রক্কনি। মখোয়দি করম্না ওইরকই, খঙই হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাখলনা শাগৎপা মরম (হায়পোথেসিস), চাংয়েং মথং মথং তৌরগা য়েংবদা চুম্মে/য়ারে হায়না লৌরবা মরম (থিওরি-ইনফরেন্স) অসুম্না পুথোক্তুনা হায়রক্কনি। মখোয়না খল্লম্বদু ফংবা/খঙবা ঙল্লক্তবা মতমদা সুপর নেচরেল, অনমিন পাৱর/ইনর্জি অমা লৈ হায়রক্কনি। মসিবুনি লাইনীং লাইশোন অমদা থাজবা মীওইশিংনা মাগী মাগী কম্যুনিতিগী ওইবা মরোলশিংনা কৌনবা মিং- ঐখোয়গী লোন্দনা 'লাই' হায়রিবা মতিক ময়াই পূম্নমক্কী হৌরকফম/থোরকফম ওইরিবা 'শিদবা মপূ ইবুংঙো' হায়না শোন্নরিবসি।